# নোংমাইথেম রতনবালাগী পাঞ্জল ২না মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন সেথু এফ সীবু মায়থীবা পীদুনা মণিপুরগী ক্লব ক্রিপসা মায় পাকখ্রে



বেঙ্গালুরু , জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
কর্নাটকাগী কোনুং বেঙ্গালুরুদা চথুরিবা হিরো ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ'গী অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মণিপুরগী ক্লব ক্রিপসা এফ সীগী মায়কৈদগী নোংমাইথেম রতন বালানা চনখিবা পাঞ্জল ২না লীগ অসিগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন টামিলনাদুগী সেথু এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াই, লীগ অসিগী অহানবা রাউন্দ মেচতা ক্রিপসা এফ সী অমসুং সেথু এফ সী মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৩/৩ ফংলগা পোইন্ট টেবলদা সেথু এফ সীনা গোল স্কোরদা পাঞ্জল ১ হেনবদগী মাঙজিল থাদুনা লৈরম্বনি।

ঙসিগী মেচ অদুদা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সেথু এফ সীগা মণিপুরগী ক্রিপসা এফ সীগা লম্বা তৌনরকপদা লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী অয়াম্না মরু ওইবা টুর্নামেন্ট অসিগী মেচ অমা ওইখি।

নীংশিংবা য়াবদি, সেথু এফ সীগী টিম কেপ্টেন অদু মণিপুর মচা লোইতোংবম অসালাতানা ওইদুনা মণিপুরগী ক্লব ক্রিপসা এফ সীগী মায়কৈদগী কেপ্টেন দাংমৈ গ্রেসনা পুশিল্লকপা এটেকশিং অদু তাঙ্কক কয়াদা ঙাকথোক্তুনা লৈখি। মেচকী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী মতম অদু পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈনরক্লবা মতুং হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা ক্রিপসাগী কেপ্টেন দাংমৈ গ্রেসনা সেথু এফ সীগী সুমিত্রাবু খথোক্তুনা পুরকখিবা বোল অমা মপা চানা চেশিল্লকখিবা নোংমাইথেম রতনবালাদা খাইরকখিবদগী শান্নরোয় অদুনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু য়াম্না ফজবা মওংদা চল্লগা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সেথু এফ সীবু হাফ লোইশিল্লকপদা ১-০দা হেন্দুনা লৈখি।

পাঞ্জল অমা মাংজিল থাবা ঙল্লবা ক্রিপসা এফ সীগী মায়কৈদগী অনীশুবা হাফকী হৌরকপদগী হৌনা বোল হেন্না পায়ননবা হিরম খুদিংমক্তা ফজনা শান্নবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ অদুগী ১৫শুবা মিনটতা ক্রিপসা এফ সীগী মায়কৈদগী সেথু এফ সীগী পেনাল্টি বোক্স মতোনদা ফ্রি কিক অমা ফংখি। ফ্রি কিক অদুদগী লাকখিবা বোল অদু নোংমাইথেম রতনবালানা য়াম্না ফজবা মওংদা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-০দা সেথু এফ সীবু মাংজিল থাখি। লেমহৌবা পুংখাই অমরোমগী মতম অদুদা সেথু এফ সীগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীরবসু শোত্থখিবা পাঞ্জল ২ অদু হন্দোকপা ঙমদনা ক্রিপসা এফ সীনা ২-০দা থোইরগা গ্রুপ এগী পোইন্ট টেবলদা মেচ ২দা অনীমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা মাংজিল থাবা ঙমখি।

ঙসি বেঙ্গলোর ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ 'বি'গী অতোপ্পা মেচ অমদা গোকুলম কেরলা এফ সীনা কেনক্রে এফ সীবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ১০-১দা মায়থীবা পীখি।

গোকুলম কেরলাগী মায়কৈদগী সবিত্রা ভন্দারিনা অহানবা হাফতা পাঞ্জল ৩ অমদি অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল ২ পুন্না মেচ অদুদা পাঞ্জল ৫ চন্দুনা মেচ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোয় ওইখি। টিমমেট করিসমা সিরভোইকরনা অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ অমদি অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল ১ পুন্না পাঞ্জল ৩ চল্লগা টিম অদুগী অচৌবা মতেং পীখি। লোয়ননা মেচকী ২০শুবা অমদি ৩০শুবা মিনটতা গোকুলম কেরলাগী অতোপ্পা শান্নরোয় মনিসানা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা কেনক্রে এফ সীগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা সোমিয়া গুগুলোথনা চনখি।

GROUP A

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | KRYPHSA | 2 | 2 | 0 | 0 | 6 | 0 | +6 | 6 |
| 2 | Sethu FC | 2 | 1 | 0 | 1 | 4 | 2 | +2 | 3 |
| 3 | Baroda FA | 1 | 1 | 0 | 0 | 3 | 0 | +3 | 3 |
| 4 | BBK Dav FC | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 3 | -3 | 0 |
| 5 | Kickstart FC | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 4 | −4 | 0 |
| 6 | FC Kolhapur City | 1 | 0 | 0 | 1 | 0 | 5 | −5 | 0 |

GROUP B

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | Gokulam Kerala | 1 | 1 | 0 | 0 | 10 | 1 | +9 | 3 |
| 1 | Kenkre FC | 2 | 1 | 0 | 1 | 4 | 11 | -7 | 3 |
| 2 | Bangalore United FC | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 3 | Bidesh XI SC | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 5 | Sreebhumi FC | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 |
| 6 | Odisha Police FC | 1 | 0 | 0 | 1 | 1 | 4 | −3 | 0 |

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১১

১) THE KHOMEINI OF ICE HOCKEY হায়রগা কনাবু খঙনৈ?

২) ওলিম্পিক অমদা য়োচিং (য়োটচিং)গী লমজেলদা মেদল অমত্তা ফংহৌদবদগী হিরোইশিং অদুনা য়োটচ অদু মৈ থাদোকখি। য়োটচ অদুগী মমিং পীয়ু।

৩) দি এম কোলেজ মণিপুরগী খ্বাইদগী লিরবা কোলেজনি। কোলেজ অসি চহী খুদিংগী মশামক 'মিষ্টর দি এম কোলেজ খল্লি। মখাগীশিং অসিগী মনুংদা D.M. কোলেজ ওইখিবা অমগী মমিং পীয়ু।
মংলেম সিংহ, মায়পাক সিংহ, ব্রোজেন সিংহ, চাতুকিনি সিংহ

৪) নুপামচা, গম্বীর চান্দ, লাক্সানা, সানাবা, ইবেনুংশি, ইন্দুবালা পীরিবা মমিংশিং অসি শান্নবগী থৌরম অমদা মমিং চৎলি, অতোপ্পা অমদি মমিং চৎলবসু শান্নবগী থৌরমদি মান্নদে। মহাক্কী মমিং হায়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারি ৩০, শাগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# পনকজ অদবানিনা সৌরব কোথারি মায়থীবা পীদুনা নেসনল বিলিয়ার্দস টাইটল লৌখ্রে

পুনে, জন্যুৱারী ২৮(এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় পনকজ অদবানিনা ঙসি মহারাষ্ট্রগী পুনে সিটিদা শান্নখিব সিনিয়র নেসনল বিলিয়ার্দস চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেল মেচতা সৌরব কোথারিবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা ফ্রেম অদু সৌরব কোথারিনা পনকজ অদবানিবু থোইখি। মদুগী মতুং থংনবা ফ্রেম অনী পনকজ অদবানিনা থোইবা ঙমদুনা ফ্রেম ২-১দা মাংজিল থারবা মতুং সৌরব কোথারিনা ৪শুবা ফ্রেম অদু থোইদুনা ফ্রেম ২-২দা মান্নদুনা লৈখি।

ৱর্ল্ড টাইটল ২৩রক লৌবা ঙল্লবা পনকজ অদবানিনা ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুদা সৌরব কোথারিগা ফ্রেম ২-২ মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মখা তাবা ফ্রেম ৩ থংনা থংননা থোইবা ঙম্বদগী সিনিয়র কেটগোরিগী নেসনল



বিলিয়ার্দস চেম্পিয়নশিপ অদু ১০রক শুবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখি। হায়রিবা টাইটল অসি মহাক্কী ওইনা জুনিয়র থাক্কী টাইটল য়াওগা পুন্না নেসনল টাইটল ৩৩রক শুবা ওইনা লৌবা ঙম্লিবনি।

# মণিপুরনা সিক্কিমবু মায়থীবা পীননবা ২শুবা ইনিংসতা রন ৩৩৮ লৌবগী মথৌ তারি



ভুবনেশ্বর, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
ঙরাংদগী ওরিষাগী সিটি ভুবনেশ্বরদা লৈবা বিকাস ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নবা রঞ্জি ট্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী প্লেট গ্রুপকী ৭শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা সিক্কিমগা লম্বা তৌনবদা মণিপুরগী টিমনা মায় পাক্লনবা রন ৩৩৮ লৌবগী মথৌ তারি।

ঙরাং মেচ অদুগী টোস মণিপুরনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা সিক্কিমগী মায়কৈদগী অহানবা ইনিংসতা ৱিকেট ১০মক আউট ওইরগা রন ১৬৯ লৌখি। সিক্কিমগী ইনিংস হৌরকপদা ফিভম শোক্লবসু লোইশিল্লকপদা ফজরকপদগী রন ১৬৯ য়ৌবা ঙমখিবনি।

৯শুবা বেটচমেন লি য়োং লেপচানা রন ৪৫ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ৮শুবা বেটচমেন কেপ্টেনসু ওইখিবা প্লাজে র তমাংনা রন ২৭ লৌখিবা অমদি ৭শুবা বেটচমেন ইকবাল অব্দুলানা রন ২২ লৌখিবা অদু পনবা য়াই।


মণিপুরগী মায়কৈদগী বোল্লর আর কে রেক্সনা ৱিকেট ৪ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা ঙমখি। মোইরাংথেম থোমাসনা ৱিকেট ৩ লোয়ননা কোন্থৌজম বিশ্বজিৎনা ৱিকেট ২ অমসুং কাঙবম প্রিয়োজিৎনা ৱিকেট ১ লৌখি।

মণিপুরনা মখোয়গী অহানবা ইনিংস শান্নরকপদা য়াম্না শোনবা মওংদা শুপ্নগী ওভর ২৫দা বেটচমেন ১০মক শুপ্নগী রন ৯১দা আউট ওইখি। ৬শুবা বেটচমেন ওইখিবা ওল রাউন্দর আর কে রেক্সনা বোল ২৩দা রন ২৫ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। মণিপুরগী বেটচমেন ৪ রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি।

সিক্কিমনা মখোয়গী অনীশুবা ইনিংস শান্নরকপদা রন ২৬৬ লৌদুনা অহানবা ইন্নিংসতগী ফজবা হেনখি। ৭শুবা বেটচমেন ইকবাল অব্দুলানা রন ৭১ অমসুং ৮শুবা বেটচমেন প্লাজো তমাংনা রন ৫০ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

মখোয়গী ইন্নিংস অদু লোইশিল্লবা মতুং মণিপুরনা অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ওপনর কোন্থৌজম বিশ্বরজিৎ অমসুং অল বাসিদ অমহমদ ঙসি মেচ অদুগী নীনিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা রন ৩/৩ লৌদুনা লৈরি। বিশ্বরজিৎনা বোল ১৮ মায়োক্লবা ঙমখি। অদুগা অলবাসিদনা বোল ১২ মায়োক্লখি। মখাতাবা লেমহৌবা নুমিৎ নীনিদা মণিপুরনা মায় পাক্লবা রন ৩৩৮ লৌবা মথৌ তারি।

# সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিস অমসুং স্বিজর্লেন্দগী রোজর ফেদরর সেমিফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি, নুপীগীদা এসলি অমসুং কেনিন থেংনরগনি



মোলবোর্ন, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
চহীসিগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপকী সেমিফাইনেলদা নম্বর ২ শান্নরোয় সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিস অমসুং নম্বর ৩ শান্নরোয় স্বিজ র্লেন্দগী রোজর ফেদরর লম্বা তৌনরগনি। নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা য়ুম্বু লৈবাক ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্তি অমদি ১৪শুবা সিদেদ য়ু এস এগী সোফিয়া কেনিন সেমিফাইনেল থেংনরগনি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিসনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩২শুবা সিদেদ শান্নরোয় কানাদাগী মিলোস রাউনিকপু ষ্ট্রেট সেট ৩দা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুগী অহানবা সেটতগী হৌনা শান্নরোয় অনী লম্বা মান্নরবসু নোবাক জোকোবিসনা রাউনিক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌখিবদগী ৬-৪দা অহানবা সেট মায় পাকখি। অনীশুবা সেট অদুসু জোকোবিসনা ৬-৩দা থোইদুনা সেট ২-০দা মায় পাক্লবা মতুং ৩শুবা সেটতা রাউনিক্কী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরক্তুনা টাইব্রেক শান্নরবসু জোকোবিসনা পোইন্ট ৭-১দা থোইদুনা সেমিফাইনেল য়ৌখি।

জোকোবিসনা সেমিফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা স্বির্জলেন্দগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ রোজর ফেদররনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা য়ু এস এগী টেনিজ সানগ্রেনবু সেট ৫ চঙনা অকনবা লম্বা অমদা মায়থীবা পীখি।

অহানবা সেট ফেদররনা ৬-৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা অমদি ৩শুবা সেট অদু সনগ্রেননা ৬-২, ৬-২দা থোইদুনা মাংজিল থাখি। অদুবু ফেদররনা ৪শুবা অমদি ৫শুবা সেট অদু ৭-৬ (১০-৮), ৬-৩দা থোইদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অমদা ৱর্ল্ড নম্বর ১ ওইরিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্তিনা ৭শুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিতোভাবু ৭-৬ (৮-৬), ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মহাক্না সেমিফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোয় অদু তুনিসিয়াগী ওন্স জেবোরবু ষ্ট্রেট সেট ২দা ৬-৪, ৬-৪দা থোইরম্বী য়ু এস এগী ১৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবী সোফিয়া কেনিনগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় লিয়েন্দর পেজ অমসুং লাটভিয়াগী এলেনা ওষ্টাপেনকো ২শুবা রাউন্দদা য়ু এসকী বেথনি মাতেক সেন্স অমদি গ্রেট বৃটেনগী জেমি মুরেগী মখুৎতা ২-৬, ৫-৭দা মায়থীহৌখি।

নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা য়ু এসকী রজিব রাম/গ্রেট বৃটেনগী জো সালিসবুরিনা সেমিফাইনেলদা কজাকস্তানগী পেয়র অলেকজেন্দর বুব্লিক/মিখেল কুকুস্কিনগা লম্বা তৌনগনি। অতোপ্পা সেমিফাইনেলদনা ক্রোসিয়াগী ইভান দোগিক/সর্ভিয়াগী ফিলিপ পোলাসেকনা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র মেক্স পর্সেল/লুক সাভিলগা থেংনরগনি।

নুপীগী দবলস সেমিফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী সৈ সু ৱৈ/জেক রিপব্লিক্কী বারবোরা ষ্ট্রাইকোভানা অহানবা সেমিফাইনেলদা জেক রিপব্লিক্কী পেয়র কেতেরিনা সিনিয়াকোভা/বরবোরা ক্রাইসিকোভাগা থেংনগনি। অদুগা ২শুবা সেমিফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র চান হাও চিং/লাতিসা চান অমদি হঙ্গেরিগী তিমিয়া বাবোস/ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোবিসকা লম্বা তৌনরগনি।

# ওষ্ট্রেলিয়াবু রন ৭৪দা থোইদুনা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট টিম ৱর্ল্ড কপকী সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



পোটসেপষ্ট্রুম, জন্যুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
সাউথ অফ্রিকানা য়ুম্বু ওইদুনা চথুরকপা চহী ১৯ মখাগী আই সী সী ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সুপর লীগ ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াবু ইন্দিয়ানা রন ৭৪দা মায়থীবা পীদুনা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

পোটসেপষ্ট্রুম সিটিদা লৈবা সেনৱিজ পার্কতা শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুদা ওষ্ট্রেলিয়ানা টোস ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়ানা অপীবা ওভর ৫০গী মনুংদা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ২৩৩ লৌখি।

ইন্দিয়াগী ওপনর য়াসসভি জে সৱালনা বোল ৮২দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৬২ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা রন ওইখি। অদুবু ৭শুবা বেটচমেন অধরভা অনকোলেকরনা আউট ওইদনা বোল ৫৪দা সিক্স ১গা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৫৫ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী শীংথবা স্কোর ওইখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ৮শুবা বেটচমেন রবি বিসনোইনা বোল ৩১দা রন ৩০ লৌরম্বা অমদি ৬শুবা বেটচমেন সিদেস ভিরনা বোল ৪২দা রন ২৫ লৌরম্বা অদু পনবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু মায় পাক্ননা ওষ্ট্রেলিয়াগী চহী ১৯ টিম অদুনা রন ২৩৪ লৌবগী টার্গেট লৈখি। অদুবু টিম অদুগী বেটচমেন ১০মক ৪৪শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা রন ১৫৯খক লৌরল্লগা আউট ওইখিবদগী মেচ অদু ইন্দিয়ানা রন ৭৪দা থোইরগা সেমিফাইনেল চঙখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী ওপনর সাম ফেনিংনা বোল ১২৭তা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৭৫ লৌরম্বা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা রন ওইখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী বেটচমেনশিং অদু ইন্দিয়াগী বোল্লরশিং অদুনা খুদুম চনবা ঙমখি। ৭শুবা বেটচমেন লিয়াম স্কোটনা রন ৩৫ লৌরম্বা অদুগা লোয়ননা ৬শুবা বেটচমেন পেত্রিক রোনা রন ২১ লৌরম্বা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটচমেনশিংদি রন ৬ য়ৌবা ঙমখিদে। ইন্দিয়াগী তিয়াগিনা ৱিকেট ৬ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

# তরেৎশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর আর প্রগনন্ধ চাইনাগী ৱাং হাওগী মখুৎতা মায়থীদুনা পোইন্ট ৫দা লৈখ্রে

গিব্রাল্টর, জন্যুৱারী ২৮(এজেন্সী):
বৃটিস টেরিটোরি অমা ওইরিবা গিব্রাল্টরদা চথুরিবা চেছ ফেষ্টিভেলদা ঙরাং হান্না ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙল্লম্লবা বলগেরিয়াগী বেসিলিন টোপালোবপু মায়থীবা পীখিবা ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা গ্রান্দ মাষ্টর আর প্রগনন্ধ ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দদা চাইনাগী গ্রান্দ মাষ্টর ৱাং হাওগী মখুৎতা মায়থীবা নংদুনা পোইন্ট ৫ ফংলগা শান্নরোয় ৩০গী মনুং চনবা ঙল্লি।

ই এল ও রেটিং পোইন্ট ২৬০২ লৈখিবা ইন্দিয়াগী প্রগনন্ধনা রেটিং পোইন্ট ২৭৫৮তা লৈখিবা চাইনাগী চাইনাগী ৱাং হাওগা ঙরাং শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দ অদুদা মায়থীবা নংখি। প্রগনন্ধনা ঙসি অথেংবদা শান্নগদৌরিবা ৮শুবা রাউন্দদা রেটিং পোইন্ট



২৭৭০দা লৈরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা শান্নরোয় ওইরিবা অজর বৈজানগী সাখ্রিয়ার মামেদিয়ারোপকা লম্বা তৌনগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিগী রাউন্দ ৭ লোইশিল্লকপদা রসিয়াগী ইসিপেনকো এন্দ্রি, চাইনাগী ৱাং হাও, ইরানগী মাগসুদোলু পরহাম অমসুং রসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় পরাবিয়ান দেবিদনা পোইন্ট ৬/৬ ফংদুনা মাংজিল থারি।

ঙরাং শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দদা ইরানগী মাগসুদোলু পরহামনা অলানপিসোটপু মায়থীবা পীখি। লোয়ননা রসিয়াগী পরাবিয়ান দেবিদনা অতোপ্পা লৈবাক অদুগী শান্নরোয় এন্তিপোপ মিখেলবু মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট ৬ য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি অথেংবদা শান্নগদৌরিবা ৮শুবা রাউন্দদা চাইনাগী ৱাং হাও অমসুং ইরানগী মাগসুদোলু পরহামগা লম্বা তৌনগনি।